# ২০২৩গী ওইনা Whale Film দা বেষ্ট এক্টর ওস্কার এৱার্দ ফংলবা Brendan Fraser

- নানি



কুমশিগী ওইনা Whale film দা মপুং ওইবা রোল লৌ-খবা মমিং লৈরবা এক্টর Brendan Fraser না বেষ্ট এক্টর ওস্কার এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রে। এৱার্দ অসিগীদমক পুন্না এক্টর মরিনা নোমিনেসন ফংমিন্নখি। অতে অদুদি- Austin Butler, Elvis Colin Farrel অমদি Paul Mescal নি। Brendan ময়াম্না মহাক্কী মমাঙদা পুথোকখিবা ফিল্ম কয়াদা মশক মুন্না খঙবীখ্রবা এক্টর অমনি। মহাক্কী মমিং লৈখিবা ফিল্ম **The Mummy** হায়রিবা trilogy (1999-2008) দা মরু ওইবা রোল লৌবদা থোইদোক্লা মীয়াম্না Ric O'Connel হায়নসু খঙনখ্রবা অমেরিকান-কনাদিয়ন এক্টর Brendan James Fraser নি। মহাক মমাঙদা বেষ্ট এক্টর কেটগোরিগীদমক তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা পীগদবা এৱার্দকীদমক নোমিনেসন ১৮ চঙবগী মনুংদা নিপানলক এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপা ঙমখ্রবনি। হন্দক একাদেমী এৱার্দ ২০২৩ ফংলিবা ফিল্ম **The Whale** হায়বা অসিনা মহাক্কী পুন্সিদা একাদেমী এৱার্দকী লমজেলদা য়াওবা অহানবনি। অহানবদা মায় পাক্লবা এক্টর অমনি।

এক্টর, প্রদ্যুসর অমদি ফোটোগ্রাফর অমা ওইরিবা, মশাগী চহী শুপ্নতগী ৫৩ দমক শুরিবা ফিট ৬কা ইঞ্চি ৩ ৱাংবা, জেমস হায়রগসু খঙনবা Brendan James Fraser 1968 গী দিসেম্বর ৩দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী Indianapolis হায়বা মফম অদুদা পোকখি। অপোকপা মপা জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা হৌরক্লগা, গভর্ণমেন্টকী টুরিজম দিপার্টমেন্টতা কনাদিয়ন ফোরেন সর্ভিসকী ওফিসর অমনি। মমাদি ইচম চম্বা সেলস কাউন্সেলর অমনি, মচিন-মনাও মরিগী মনুংদা ইতোন তোনবা ওইনা মমা-মপানা Fraser বু ফংজবনি। মহাক্কী মখুৱা George Genereux, ১৯৫২দা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলিম্পিকক্সতা গোল্ড মেদল ফংখিবা মীশকনি। মখোয়গী ইমুং অসি ময়াম্না অদুম থাক অমদা খন্নবা অমা ওইনা হৌরকখি। মহাক্কী ময়াম্বা অহুম- Kevin, Regan অমদি Sean মতিক চাবা মীশক অমমম ওইরি। মখোয় লোয়নমক অমেরিকান অমদি কনাদিয়ন dual citizenship ওইরি। James Fraser মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়াদা মরু ওইবা রোল লৌদুনা মীয়ামদা মশক হন্না হন্না তাকখ্রবা মীশক অমনি। মহাক্কী ফিল্মশিং য়াম্না পাম্নখি। হৌজিকসু ১৯৯২দগী হৌনা মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়াদা কুম্লক্লিবা মহাক্কী ফিল্মশিং অনৌবা থোরকপদা কনানসু থাদোক্রদনা য়েংনরি। মহাক্না কুমখিবা কোমেদি ফিল্ম খরগী মমিং পল্লবদা- Encino Man (1992), Airheads (1994), George of the Jungle (1997), Dudley Do-Right (1999), Blast from the Past (1999), Bedazzled (2000), Monkeybone (2001), Looney Tunes: Back in Action (2003) অমদি Furry Vengeance (2010) নি। মসিগা লোয়ননা লিদিং রোল লৌদুনা কুমখিবা fantasy ফিল্মশিংদি- Journey to the Center of the Earth (2008), Ink heart (2008). হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা দ্রামাটিক ফিল্ম খরদসু লিদিং রোল লৌদুনা কুম্লকখি। মদুদি- School Ties (1992), With Honors (1994), The Passion of Darkly Noon (1995), Gods Monsters (1998), The Quiet American (2002), Crash (2004), Journey to the End of the Night (2006), Extraordinary Measures (2010), No Sudden Move (2021), লোয়ননা হন্দক ওস্কারগী বেষ্ট এক্টর এৱার্দকী নোমিনেসন চঙলিবা ফিল্ম The Whale (2022) হায়রিবশিং অসিনি। মসিদা নত্তনা Fraser James না টেলিভিজন দ্রামা কয়াদসু মায় পাক্লা কুমখি মমিং খরদং নীংশিংবা য়াবদা- Texas Rising (2015), The Affairs (2016), Trust (2018), Condor (2018) অমদি Doom Patron (2019) হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই।

ফিল্মগী লাইনদা ওস্কার এৱার্দ হায়বা খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইবা অমদি চাউরবা এৱার্দ অসি ১৯২৯দগী হৌনা লাউথোকপা হৌরকফিবনি। অদুবু ইন্দিয়ানা এৱার্দ অসিগীদমক ইন্দিয়াগী ওইনা নোমিনেসন ফংখিবদি ১৯৫৭ দা Mother India অসিনা ওইখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা ওস্কার এৱার্দকীদমক ফিল্ম মরি চঙবা ঙমখ্রে অদুবু এৱার্দ ওইনা ওন্থোক্তুনা এৱার্দ লৌবদি অমত্তা য়াওখিদ্রি। মমাঙদা চঙখিবা ফিল্মশিং অদুদি- Mother India, Salaam Bombay, Shwass (Marathi) অমদি Lagaan হায়বা অমির খানগী ফিল্ম অদুনি। হন্দক চহী অসিদা ফিল্ম অনী ওফিসল নোমিনেসন থানবগীদমক রেকমেন্দ তৌনবা খন্নবা হৌখি। ব্লোকব্লষ্টর ওইখিবা ফিল্ম SS Rajamouli গী ফিল্ম RRR অদুগা Gujarati ফিল্ম Chhelo Shwo হায়বা অনী অসিনি। অদুবু ওস্কার এৱার্দকীদমক ইন্দিয়াগী ওইনা Chhello Show হায়বা অসি ওফিসল নোমিনেসন ওইনা রেকমেন্দ তৌখিবনি। অদুবু আর আর আর ফিল্মগী ওরিজিনেল ম্যুজিক কেটগোরিদা নাতু নাতু হায়বা ঈশৈ অসিগী M.M. Keeravaani না ম্যুজিক পীবা অমদি Chandrabose না lyrics ওইবা ঈশৈ অসিনা তাখ্রে। ইন্দিয়ানা ঈশৈগী লমদা ওস্কার এৱার্দ ফংবা অসি হন্দক্কী অসিগা অনীরক শুখ্রে। মমাঙদা A.R. Raheman না অমুক তাখিবা লৈখ্রবনি।

Fraser গী ফেমিলিসি পেরেন্টশিংগী সর্ভিস মতুং ইন্না ঙাইহাক লৈতনা মফম হোংদোক হোংজিন তৌই। Eureka, California, Seattle, Washington, Ottawa, Ontario, Netherland অমদি Switzerland দা হোং হোংদুনা লৈরকখি। Fraser সু ফেমিলি হোংবগী মতুংইন্না য়ুমহোং তোইরকখি। মহাক কনাদাগী অপ্পর কোলেজদা মহৈ-মশিন তম্লকখি। লন্দনদা লৈরিঙৈদা মমিং লৈরবা প্রোফেসনল ঠিএটর সো উৎফম ওইনা মমিং চৎলিবা ৱেষ্ট এন্দ হায়রিবা অসিদা মহাক ঠিএটর অদুদা ঠিএটর সো কয়া য়েংলকপদগী এক্টিংদা থৱায় য়াওবা হৌরকখি। ১৯৯০ দা Cornish কোলেজ ওফ দ আর্টস হায়বা অসিদগী গ্রেজ্যুএসন লোইখি। অদুগা ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈবা এক্টিং কোলেজ অমদগী মহাক এক্টিং তম্বা হৌরকখি। মতুংদা মহাক মাষ্টর ওফ ফাইন আর্টস হায়বা অসি সাউদর্ন মেথোদিষ্ট য়ুনিভর্সিটিদগী ফংলকখি। মমৈথংদা মহাক হোল্লিৱুদ ফিল্মদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। লোয়ননা ফিল্মদা ওইনা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা হৌজিক ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। মহাক্কী ইহান হানবা ফিল্মদি ১৯৯১দা পুথোকখিবা দোগ ফাইট হায়বা অদুনি। অদুবু মদুনা মহাক্কী মশক তাকপদি ঙমখিদে। ইহান হানবা ওইনা লিদিং রোল লৌদুনা কুম্লকখিবনা ১৯৯২দা রিলিজ তৌরকফিবা কোমেদি ফিল্ম Encino Man হায়বা অসিদনি। Encino Man হায়বা অসিদি ঐখোয়গী স্বাইদসু ময়াম য়েংনবা ফনা য়াম্না য়াওনরম্লগনি থাজে। য়াম্না ফজবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অদুদা মহাক্না প্রি হিষ্টোরিক frozen caveman অমগী রোল লৌখিবনি। মশক মতৌ অমদি মহাক্কী ইনৌ নৌবা এক্টিংগী রেঞ্জ অমা মীয়াম্না উবা ফংনখিবনি। ফিল্ম অদুমক বোক্স ওফিস হিট চৎখি। সিগী মতুংদগীদি মমিং লৈরবা এক্টরশিং Matt Daman অমদি Chris O'Donnell গা লোয়ননা School Ties হায়বা অদুদা কুম্লকখি। মহাক্কী খ্বাইদগী কম্মর্সিএল অমা ওইনসু মায় পাকখিবা অদুগা মীপুম তীংনা খঙনখিবা ফিল্মদি Adventure Fantasy ফিল্ম অমা ওইরিবা The Mummy (1999), The Mummy Returns (2001) হায়রিবা অসিদনি।

Fraser গী নুংঙাইরবা য়ুম্বাল পুন্সিগী ৱারী অমা হায়বা তারবদি মহাক ১৯৯৩দা অনৌবা ফঙ্কসন অমদা এক্ট্রেস Afton Smith কা থেংনখি। মদুদগী মখোয় অনী মরী লৈনরক্তুনা ১৯৯৮গী সেপ্টেম্বর ২৭তা লুহোংখি। মখোয় অনীগী মচানুপা অহুম- Griffin Arthur Fraser (2002 দা পোকপা), Holden Fletcher Fraser (2004 দা পোকপা) অদুগা Leland Francis Fraser (2006 দা পোকপা) অহুম লৈরে। অদুবু করিগুম্বা য়ানদবা খরদগী মখোয় অনীনা লৈরম্বা California গী Beverly Hills তা লৈবা য়ুমদু য়োম্থোক্লবা মতুংদা ২০০৭তা খায়নরে হায়না Fraser না লাউথোকখি। মদুদা মখা তানা মহাক্না লাউথোকখিবদা, Afton না অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ুম পান্দুনা লুহোংদ্রিবা ফাওবদি থা খূদিংগী দোল্লর ৫০,০০০ চহী তরাগী ওইনা পীগনি হায়না পনখি। মরমদি মদুনা মহাক্কী অঙাংশিং অদুগী য়োক-থাকপগী চাদিং তৌনবনি হায়না মখা তাখি।

Fraser এক্টিংগী লমদগী খরা অমুক হায়দোক্লগা মহাক অসি Archer অমনি। Amateur Archer অমা ওইনা মহাক নীংথিনা শান্নবা মীশক অমসু ওইরকই। অমরোমদা মহাক্কী ফিল্ম অয়াম্বদা stunt শীজিন্নদে, মহাক মশানা পর্ফোর্মেন্স নীংথিনা পীদুনা লাকই। খুদোংথিবা অমা তাদুনা মহাক অচৌবা মেজর সর্জরি অহুম্লক চহী তরেৎকী মনুংদা তৌখি। মদুদি- Knee replacement, Leminactomy surgery অমদি vocal chord surgery নি। Brendan Fraser এক্টর অমা ওইবতা নত্তনা মহাক মশানা ফিল্ম প্রদ্যুসর ওইদুনা ফিল্ম কয়া অমসু পুথোকখ্রে। লোয়ননা মহাক অসি মশক নাইবা ফোটোগ্রাফর অমসু ওইখি। মহাক্কী ওস্কার নোমিনেসন ফংলিবা অসি এৱার্দ ওন্থোকপা ঙমগদরা ঙম্লোইদরা হায়বদু য়াম্না অথুবা মতমদা শোয়দনা খঙলগনি। হন্দক্কী অসিনা মহাক্কীদি ইহান হানবা ওস্কার নোমিনেসন চঙবনি। অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন কয়ানদি মহাকপু বেষ্ট এক্টরনচিংবা শীংথানিংঙাই ওইবা মনা কয়া অমা পীদুনা মাঙজৌননা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৩।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং ;
শজিবুগী ৫নি পানবা।

মেষ: ঈকায় খুম্নবা ফংবা, পোরম শীনবা হৈবা, ঙাং-শকপা পকচবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা মফম কনবা ঙমজবা নুমিৎনি। হোয়া ফবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল লাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: হরাওবা, নীংবা মপা চাবা, নক্লবশিংগী মতেং চাওনা ফংবা, নচা-ননাই য়াম্বা, অফবা থবক্তা খুৎচাও থাদবা য়াবা অফবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: পাউ নুংঙাইবা তাগনি, মীয়াম্না তেংবাঙবীবা অমদি নচা ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। অরাপ্পগী মতেং লৌবা য়াগনি। হৈ-শিংবদি শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: থবক পাঙবা, শেল ফংবা, মীয়ামগী মতেং ফংজবা, লম্লোন ইতিক চাওখৎপা অফবনা হেনবা নুমিৎনি। নাপল/অনম তানবদদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: য়েৎনবা, ঙাইঙমদবা অমদি হন্থবা লোয়নবা মাঙবতা নংগনি। নীংজবা থবক্তা খুৎচাও থাবা মতাং চাই, অরং-অরাক লৌশিনবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্য: মহু চাওবনা মীতাবা অমদি হেন্না থাজরুবনা মীপায়বা নংবা য়াবা লৈ। নচা-ননাইদি চাওখৎকনি, য়েৎনরম্বা খরদি ফরনি, লন চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খজিক্তং ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: ৱাখল ইরাং লাঙবা লৈগনি। অরুবা থবক নাইতোম পাঙদবা ফগনি। থাজদনা নাপলগা লোয়ননা চৎলদি নখা থাবনা ফাওবা উশিৎলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃশ্চিক: লাইবক ফগনি। অনীংবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, শেন্দোং তানবা মতাং চাই। মরুপ কায়নদনবা তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: অখঙ অহৈ তান্নবগী লমদা নত্তনা অতৈদদি মায় পাক্কনি। শেন্দোং চাওনা লৈ, মীনা থাগৎপিগনি, পোরম শীনবা হৈ, নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: নচা-ননাই অমদি মীয়াম লোয়ননবা হোৎনৌ-মদুনা খ্বাইদগী অফবা-নুংঙাইবা নুমিৎ ওইগনি। অরিবা থবক পাঙবগীসু নুংঙাইজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: অনম তানগনু কোক শাগনি, হোয়া ফগনু মরুপকা লান্না খন্নগনি, য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি-চরাঙগনু। লাই-গুরুনদি চাল্লি অমদি মরুপ্পা লোয়ননিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মীন: মরুপ মপাংগা শাওনদনবা ফিংগনু অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নরোই। অদুবু লাইবক ফবদি লৈ, অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙবা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## আমসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম নন্দকিশোর লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) : ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু) সেন্ট্রেল কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা কছার গোসাইপুরগী সোরোখাইবম নন্দকিশোর ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবা মতমদা মশাগী লম্নাই য়ুমদা অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে।

কুমজা ১৯৫৫গী দিসেম্বর ৩১দা তাইবং ফাওরকখিবা নন্দকিশোর মতম শাংনা মাচপারা মণিপুরী এম ঈ স্কুলগী ওজা ওইরম্বতা নত্তনা স্কুল অসিদগী হেদ টিচর ওইনা কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ৩১দা থবক্তগী পোথাকখি। মহাক অসাম মণিপুরী কলা একাদেমীগী মতম শাংনা জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বতা নত্তনা আমসু অমদি ওল অসাম মণিপুরী ৱিমেন মৈরা পায়বী কোওর্দিনেসন কম্মিটিগীসু এদভাইজর ওইনা থৌ পুরম্মী।

মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবা অমদি মণিপুরী খুন্নাইসিগী আইদেন্টিফাই ক্রাইসিস কয়াদা চোকথবা নাইদনা থৌদাং য়াবীরম্বা সোরোখাইবম নন্দকিশোরনা লৈখিদবা অসি আমসুগী ইমুং-মনুংতা নত্তনা খুন্নাই অসিগী চাউনা মাঙজবনি। পনবা য়াই, আমসুগী ইচঙ থৌরবা লুচিংবা অসিনা লৈখিদবগী পাউ তাবদা আমসুগী মহুৎ শীন্দুনা লূপসিগী এদভাইজর সাইখোম কমলা কান্ত, ক্ষিরো গোপাল শর্ম্মা, লূপসিগী এক্স-ভাইস প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম লোকেনাথ অমদি অতৈ আমসুগী থৌ পুবশিংনা লৈখিদ্রবগী য়ুমদা চৎতুনা অৱাবসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ওন রেবিজগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) : এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ওন রেবিজ হায়বা থৌরম অমা ঙসি জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিদা পাঙথোকখ্রে।

পৌরাবি অমদি নক্লবদা লৈবা লৈকায়-লৈকায়দা হূই ঙাওবা, হূইনা মী চিকপা হেনগৎলকপা অসিগা ঈরোয়ননা তঙাইফদনা খঙজিনবদা তঙাইফদবা থৌরম অসিদা মায়কৈ অসোমদা লৈবা খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি। জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱাইতোন, ৱাইরি মনি য়াইস্কুল, শওম্বুং, পৌরাবি, হুইদ্রোম অমদি নুঙ্গোইনচিংবগী মহৈরোয় অমদি খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।


থৌরম অদুদা জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিগী প্রিন্সিপাল ৱাহেংবম জনমঞ্জয় মীতৈ, দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর সী এম ও পোল ইম্ফাল ইষ্ট ডা. কে ফোতন, দিষ্ট্রিক্ট ইপিদেমিওলোজিষ্ট সী এম ও পোল ইম্ফাল ইষ্ট ৱাই সুর্জবালা, ভেটিরিনরি ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট ডা. লক্ষ্মী, সিনিয়র অঙ্গনৱাদি ৱার্কর আই সী দি এস শওম্বুং ব্লোক কোন্সম ইবেচাওবী অমদি অতৈ সী এম ও পোল ইম্ফাল ইষ্টকী ষ্টাফশিংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম হৌদোক্লদুনা জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিগী প্রিন্সিপাল ৱাহেংবম জনমঞ্জয় মীতৈনা লমদম অসিদা পাক শন্না হূই ঙাওবা, মী চিকপা, হূই ঙাওরেনা হাৎতোকপীবা থেংনরে। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদগী য়ুমদা লোইবা হূই মাঙখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ডা. লক্ষ্মী ভেটিরিনরি ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টনা হায়খি, রেবিজ ভেক্সিনেসন অসি ফ্রীনি। ভেক্সিনেসনননা খ্বাইদগী সেফ ওইবা রেবিজ নাদনবগী লম্বীনি। মীয়াম্না রেবিজ নারে হায়দুনা হূই হাৎতোকপীগনু হায়না আপীল তৌখি। ডা. ফোতন কোন্সম দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টনা হূই ঙাওবগী মতাংদা শুগায়না হায়খি।




Title : Secnery
By : Leitanthem Lanchenba
Class : III Sec : Roll No. :
School :



Title : Scenery
By : Laishram Alden Singh
Class : IV Sec : B Roll No. : 4
School : Sainik Foundation School




Title : Scenery
By : Samuel Kashung
Class : II Sec : B Roll No. : 40
School : Sainik Foundation School




Title : Animals Boat Ride
By : Ulysses Konsam
Class : III Sec : A Roll : 60
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Landscape
By : Titan Saikhom
Class : V Sec : A Roll No. : 19
School : Assam Rifles Public School



Title : Gun
By : Sorokhaibam Geet Singh
Class : III Sec : B Roll No. : 20
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Zenitsu
By : Salina Shahni
Class : III Sec : A Roll : 26
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Cow
By : Samom Sanboss
Class : II Sec : D Roll : 62
School : St. Joseph's Hr. Sec. School




Title : Sakura
By : Nafisha Shahani
Class : III Sec : A Roll No. : 27
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Happy Cildren's Day
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV Sec : A Roll No. : 3
School : KV No. 1, Lamphelpat, Imphal



Title : Parrot
By : Punshiba Thokchom
Class : II Roll No. : 27
School : The Promising School, Toubul



Title : Robot
By : Akoijam Tomthin Singh
Class : III Sec : A Roll No. : 37
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Silent House
By : Hanif
Class : IV Roll No. : 20
School : Madina High School, Khelakhong



Title : Goku
By : Henthoiba Sarangthem
Class : IV Sec : A Roll : 24
School : St. Joseph Hr. Sec. School



Title :
By : Jacob Simte
Class: III Roll No. : 6
School : SL Arena of Learning



Title : Peacock
By : Saima Makakmayum
Class : III Sec: A Roll No. : 50
School : Standard Robarth Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।